Sunday, February 28, 2016, Imphal

HUEIYEN LANPAO



অমতসু খোয়দাবা য়াওদ্রি অচুম্বনি খনবা,
পুন্সিবু নৈনবা থেসিস কয়াদসু
য়াওরমদে
মতিক চানা থাজবা য়াবা।
অদুনা
খূদম অসিমক্তা ওৎলি—
ৱাখলদা
মথাদা
পুক্নিংগী শান্তিদা।

— আই এস কাংজম

## লৈ পান্বী

— ৱাংথোই খুমন

ঐগীকোক মনুংদা
লৈ পান্বীঅমা হৌই।

মশা মরেং ককথৎলগা থম্বসু য়াওই।

ঈশীং মরীক অমা খিক্তনা
লোইদাম থাবুম কয়া হন্নসু য়েংবিদে।

মরক মরক্তা তাঙন-তাঙনা
লৈশাৎ তম্লক্লম্বসু য়াওই
মফম মতম নাইদে।

করিগুম্বদা
মচা-মশু লৈজদ্রবী
খাঙপোক অমদা মদোম হিংলিবী
উনশা খুইরবী ঈ কংলবী হনুবী অমগুম
মতম কয়া লেল্লি
ঐগী কোক মনুংগী লৈ পান্বী।

লোইখ্রদুবোই শিখ্রদুবোই খল্লুই
অমুক হৌগৎ কাংখৎপা ঙমদনা।

নোংম নোংজুথাগী অয়ূক অমদা
লৈশাৎ তম্লকই লৈরাং তরেৎ নিপাল
অমুক্তদা ইথা থাজদনা।

অঙকপনিহে মসিগী লৈসে।

## চৎখ্রবসু মানা

— নির্মলা রাজকুমারী

বোকুলগী লোয়নবী বিনোদো
লৈত্রে লৈত্রে হায়নৈ
মশাগী অনাবা অমদৈ
মীয়াম্না শোন্নৈ,
নুংঙাইতেদা, নুংঙাইতেদা
মনুং মতম চাদনা মচানুপী অপীকপদুগা।
হংবা চৎলুই ঐখোয় ময়াম
বোকুলনা তেংথা নাওইনা কপ্পদো
মখোং মখূৎ তিংথোক্তুনা,
মরাইবক্তা খূৎতুম্না শুদুনা।
চৎলিবা ঐখোয় ময়ামসু
লোইনা কপ্পী মতৌদু উবদা,
য়েংবা ঙমদে মতৌদো।
মথং মথং লোইখি
মঙানি লৈহুন, লান্না থৌরম।
লান্না থৌরমগী নোংঙানবদা
অমুক ৱা ৱা লাওনরকই,
বোকুলদো নুপী অমা পুরগা লাক্লে,
ময়ূম পাল্লুরগা হল্লকপনি হায়।
থা মখায় অমত্তা ঙাইরি
মখোঙ মখূৎ থিন্দুনা
মাগী লোয়নবী কৌদুনা কপখিবদো,
ঙসিনা নুপী অমা চেল্লক্লবা।
ঐনা উখিবদুবু মঙলনে,
ঐনা খল্লি বোকুলদো
এক্টিংদি ফজনা হৈরেহে
সিনেমা দ্রামাগা য়াওরদি ফজনা য়ারনি।



## চেংলৌ শকখঙবা

— নোমিতা খোংবান্তাবম

নক্লা হৌজবা উপালদা
লেপ্তুনা য়েংলি উরীনা
অমদগী অমদা লাম লামদুনা
ফজরবা উপালসে
মাঙশিল্লক্লে নোংমা নোংমগী
উরিনা য়োন্বীখ্রবা পামেলসে
মহয় য়ান্নি কাউরক্লে।
মরোমদোম লেপ্পা ঙমদ্রবা
উরি মাগী মতৌদা
পামেল মাসু ৱাজরে।
পামেলগী ফৈরাথক্তা য়েৎলিবা
উরিগী মপালশিংদুদা চাওথোকচরি
উরি পামেল অনীগী
য়েৎমিন্নবা উরিগী মতৌদা
ময়েক শেংদবা লৈপালগী
মহৈশিং অদুনা অমুকসু
নুংশিৎকী মতেং লৌদুনা
অনৌবা মরু কয়া
লৈমায়দা পান্বী থারনি
মতিক য়াই মখোয়গী
উরবসু খঙলব্রা নখোয়বো।

## মতমগী চৎনবী

— অসেম বেবিচা চনু

হৌজিক্তা তারকই মীরাওখোল
অচিকপা য়ুখলগী ৱাংমদগী
পাখৎনৈ মীপুম খুদিং
থোক্লদ্রে কনাসু য়ূমদগী।
তপ্না তপ্না লাকই
তপ্না তপ্না থীল্লকই
ইপা পাখৎলি ইমুং
হল্লকপা ঙাইরম্বনি মহাকপু।
থৌনা ফবী মমানি
থেমজিল্লি মচা অনীবু
তপ্না ঈংনা হংলকই
উদে কনাসু লাকপা।
মৈরা পায়দুনা থোরকই
কাংসি খিংদুনা কৌথোকই
পুং ঝান য়ৈদুনা
মহাক্কী খোঙ্গুল লীরকই।
তাখি অহৌবা মখোল
অচীকপা থুগাইনা থম্মোয়দা
য়েংজরকই মচা অনীবু
করি থোক্লগবা মহাকপু।

## মরু কোক্লবা চীংশাং

— লৌক্রাকপম ইবেলানবী

বারুনিগী অহিংনি
খূৎতা মৈরা পায়দুনা
মণিপুর ইমাগী মপারি মমোমশিং
কারি ৱাংলবা চীংথক্তা।
অৱা অনা থিদে
অরাম খৌরাং পোক্লদে
ইবুংঙো মহাদেবগী দর্শন্দবু ফংলদি।
কয়াদা নীংথিজরিবা
খূৎতা মৈরা পরেং পরেং
পূক্নিং হুরবা নোংমাইজিং
মিৎফম হোংবা য়াদেদা।

নোংপোক চীংখৈ হুল্লক্লে
মমি শামি উরকই
নোংমাইজিংগী শক্তম
মরু কোক্লবা চীংশাং পরেং পরেং
তুমপক তুমপক
লোইবী চীংমায় হেল্লিবী চীংথ্রাও
লৈনম্না মায়কৈ শীল্লিবী উথম্বাল
ঙম্না লামৈগী মৈশা মৈৱাইরে।

পামেল উজাও অচৌবা
পোন্বী চেক্লা কয়াগী
কায়দোংফমবু ওইরিবা,
তাংগোই তানা চাকখ্রে।
অহিং তাংলৌ অথেংবা
মিৎলু পিরাং শীন্থ
তেংথারি মহৌশা ইমানা।

নোংমাইনা হাগবরা হাদ চীং
শেলোইনা নীক্কবরা নীক্তা চীং
নোংমাইজিংবু মিংখৈনবা লোইবীও
মতমগী লাম্মৈনা
মরু ফংনা চাকথেকখ্রবা
হৈরাং লৈরাং, উপাল ৱাপাল
কয়াগী শিন্থরিব্রা পিরাং নহাকসু।

## ট্রেন

— লেনিন খুমনচা

মতমগী শরৈনুংদগী
নাম্থোকপা ঙমদ্রবা
থৱায় কয়া—
খূৎশম্নদুনা নৎত্রগা লেঙ্গোন্নরদুনা চোংশিনখ্রি
য়াংনা চেল্লিবা ট্রেনগী তালি তম্না।

ওম্থোকচৈ, অদুগা—
হাওরবা চীঙ্গাক
লংজা-ক্লাক, ষ্ট্রিট দোগ অমসুং ঊচীনচিংবগী।

মীশি অসিনা
মখোয়গী অরাম খুভম ফংনবা
অমত্তা ঙাইরবা লম্বীরা?

২
ট্রেন!
য়াঙনা চেল্লকপা ট্রেনদি অসুম্মক
য়াঙনা চেনখ্রি
কনাবুসু হন্না য়েংলম্বা তৌদনা।

## ঈশৈ -১

### হৌরক্লগা পুন্সিগী ঈথকশিংসিনা

হৌরক্লগা পুন্সিগী ঈথকশিংসিনা
মচেৎ মচেৎ নীংখাইখ্রদবা
নুংশিগী তোর্ব্বানশিংসে
নোংমদি লাক্তুনা য়েংলখো।

ঈচেল কনমল্লি হায়খিবা
নঙগী তপ্লবী পুকচেলনা
ঙসিদি কনাগী খারাদা
কাওশিং ওইনা পল্লবরা।

করিগী মীরাইরি ঐবু
নঙগী নৌরবী থম্মোয়না
ইরাল লৈতে হায়খিবদো
থাজবা ঙমদে তাকপরা।

*শৈরেংবা : সোরোকখাইবম নোরেন্দ্রো*

*শৈশকপা : অহৈবম শ্যাম সিংহ*

## ঈশৈ -২

### পুর্ণিমা নুমিত্তা থোক্লুনু

পুর্ণিমা নুমিত্তা থোক্লুনু
নমিৎতু চেৎনা উইশিল্লু
হৈখা মপাল য়েংলুনু
পুখ্রি মপান্দা চৎলুনু।

ফিজিদা চিংগনি গুলাপনা
চঙখিবা য়ারোই হায়রনি,
কুইদ্রবসু ঙাইহাক পন্থখো
থাবল্লে লৈনম্না ফাবিনি।

নোংঙাল্লমদাই শজিক থোক্ত্রিঙৈ
অমম অঙান শিন্নরমদায়
চঙঙু হঞ্জিল্লু চান্নবী
খাঙমদা থৌদোক নীংশিংহনগনি।

*শৈরেংবা :- সুর্য্যমনি য়ূম্নাম*

---

# মৈনা ৱায় তাংন শম

## (লৈশেমলোন, মীশেমলোন থিনা মশাগী শিবগী মতম খঙলবা কবি নহা অমা)



| | |
|---|---|
| মমিং | ঃ মৈনা ৱায় তাংন শম |
| মখল | ঃ শৈরেং |
| অইবা | ঃ ৱাংথোই খুমন |
| ফোঙবা চহী | ঃ ২০১৬ |
| লামায় | ঃ ১০৭ |
| অফোঙবা | ঃ সাথৌলূপনা এ পি দি সি, উরিপোক অচোম লৈকায়গীদমক |
| মমল | ঃ লু: ১৫০/- |
| ফংফম | ঃ ইম্ফালগী লাইরিক য়োনবা দুকানশিং অমদি অইবগী য়ূম, থাঙ্গ তোংব্রম লৈকাই |

**পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা**

**শৈরেংদি** ৱাহৈগী নাচোমনি। খোন্থোক্লা মনম হাপ্পদা মতেং য়াম্না পীরিবনি। ৱাহৈগী উফমদা ৱাখলগী মুর্ত্তি শাগৎপদা, শুর ছন্দনা মথ্বায় হাপ্পী। শৈরেংগী অপূনবা মশক অমা শাগৎপদা, হৌফম লোইফম, ৱাখলগী ভার পুবদা চৈশু অমনি শুর-ছন্দ। ৱাহৈ খরসি মাগী মতম্না মীরাইবীখ্রবা কবি কাংজম পদ্মকুমারনা হায়বীরম্বনি। কয়াদা খঙনা ইবিরমখ্রবনো। অদুবু শৈরেংদদি মসিনসু লোইদ্রি। মশক অমসুং মচাক হায়বা ৱা লৈরি। মশক অদুগী মথক্তা মনুংদা করি য়াওরি থিবা চঙই। মনুংদা করি য়াওরি থিরকপদা ইহো হোরবদি ফজবা শৈরেংদি কৌররোই। মচাক অসি থিরকপদনি কবি অদুগী ৱাখলগী মরেপ থেংনরক্কদৌরিবা। মচাক অসিদি কবি অদুগী পোক্লুবা মতম মতম অদুগী মখাসু পোল্লি। অদুনবু কবি অসুক য়াম্বসি ৱাখল অমতা মান্নদ্রিবনি। মীগী ৱা তোকখ্রগা ঐখোয়গী ইমালোনগী খোরিরোলগী পুৱারী য়েংখৎলুবদা থেংনরিবসিনি- চাউবা, কমল, অঙাংহলগী মতম। অমুকসু নীলকান্ত, সমরেন্দ্রগী মতম শ্রী বীরেন য়াওনা। হৌজিক্তি অমুক লাক্লে, ইবোপিশক, ইবোমচা, ভুবনস্নাগী মতম। নাকল অমরোমদা লৈরি, মোং হাদবা, শাফুদি কনবা কবি বিরেন্দ্রজিৎকী, মেমচৌবীগী, ইবেমহলগী, ভানুমতিগী শৈরেং কয়া অমা। লীরি তৎত্রি, ঐখোয়গী কবি মরোল মরোল থোক্লক্লিবসি মতম্না পুরকপনি। কনানসু থিংবা ঙম্লোই। অমুক্লা পেন্দবগী খোল্লাউ, অমুক্লা ঈং তপ্পা মীওই খুন্নাই অমা ইখৌ লাংজবগী ৱাকৎ। অমুক্লা ঙসিসু মৈনা ৱায় তাংন শম লাক্লিবসিনি কবি নহা মরোল মরোল, আশা কয়া পুরদুনা তুংগীদমক। কয়াদি য়াম্লে, মনুং অমসুং মপানগী থারগা খূৎ থেক্তুনা পাবা য়ারে। অফবা খুদমনি।

ঐনা মসি পঞ্জরুবগী মরমদি ৱাংথোই খুমন অসিসু খূৎ থেক্তুনা পাবদা চিথরম্বা য়াররোই খঞ্জবদগীনি। কবি নহা অসিগী তোপ তোপ্পা মশক অমা উবা ফংঙে। মহাক পুন্সিবু মতম্বু, থৱায়বু মশক খঙনবা হোৎনরে। মাগী ওইবা ৱাহন্থোক অমদা লৈশেমলোন, মীশেমলোন, খুনশেমলোন পুথোক্লবা হোৎনরে। 'ঐ' মশক খঙনবা হোৎনরে। অদুগী মথক্তা ইংরাজি কবি টি এস ইলিয়টনা হায়রম্বা - 'পরম্পরাগী ফজবা ঈচেলবু ময়োন্দা চুপশিন্দুনা থম্বা ঙমদ্রবদি অচৌবা কবি অমখক ওইরোই' হায়বদু মহাক খঙবা মাল্লি। কবি নহা অসিগী 'মতম' হায়বসিদা য়েংলিবা মিৎয়েং, ইংরাজি কবি অসিগা য়াম্না মান্নজৈ। ইলিয়টনা হায়, ঙরাং, ঙসি, হয়েং হায়বা ৱাফমসি খাইদোক্লবা য়ারোই, ঙরাং লৈবগী ঙসি লৈরিবনি অদুগা ঙসি হায়বসিদা হয়েংগী মশক য়াওরিবনি। মৈনা ৱায় তাংন শম অদুম চেন্থখ্রদবা মতমনি হায়রি। ৱাংথোইসু মসিগী থাজবা ফজনা লৈরি। অদুনা মানা হায়, "অদুনা অচান মীরাই নাইদে মতমসে/কাওরেনগুম পুন্দুনা থমগেদি খক য়াদে/তরেৎ শেঞ্জানা লৈগে হায়সু মফংদে।" (মতমগী মমল, লাঃ ২৩)। অচুম্বা মিৎয়েংনি। মতম খঙনা চৎলিবা কবি নহা অসিনা থিরি 'ঐ' কনানো? মসিদি হিন্দু ফিলোসোফিনসু য়াবা, নোংচুপকী ৱাংউলোন্নসু য়াবা খোঙথাংনি। ৱেষ্টর্ন ফিলোসোফিদা মোর্দন ফিলোসোফিগী মপানি হায়রিবা ফেঞ্চ মচা রেনে ডেকার্টসনা 'ঐ' থিবদা তাইবঙপান খঙজখি। ৱাংথোইসু হায়রি, 'ঐ' হায়বা অসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবনি। অদুনা মানা হায়, 'কিগদবা নত্তে য়েক্লবা উরগা/মরুপ শান্নৌ য়াইফবা পুরক্লবগী/মরমদি তাইবঙসিদা খ্বাইদগী চাউবা/নঙগী য়েক্লবদি নহাক নশানি।" (য়েক্লবা, লাঃ ২৫) অমুকসু মানা হায়, "হৌরকফমগা লোইফমগা শম্নবনি/তাইনরুফম থোকপরা নোংদম্বদা/হুনখিবা মৱুনা মহৈ পাল্লকপা/শোয়দ্রবা তাইবঙগী হৌনশানি।" (হৈনবী, লাঃ ২৪) মসিদি ঐনা ঐনা তৌজরুবা থবক্কী মহৈ ইশা ইশানা চাজগদবনি হায়বা লাইৱাদুনি।

অমুকসু কবি নহা অসিনা মশাগা তাইবঙগা লৈনবা মরী থিরি। মহাক্লা মশাগা, পুন্সিগা, মতমগা, অহুম অসি পুনশিন্দুনা য়েংঙি। লোইনা মরী লৈনবা থেংনৈ। অদুবু কবি নহা অসিনা চুম্না হায়রি, "খঙদে। করিনো ঐনা খঙদবা অমদি অদুম মরৈরনি/খঙদবা অদুমক্ক া মাঙখ্রবা লংজিন ওইদুনা/পূংপুন পূনশিন্নখি ঐ পুন্সি, মতম, মফম অমতা খঙদনা/" (ঐ পুন্সি মতম, লাঃ ২২) মসিনি কবি অমগী অশানবা মিৎয়েং, মসিনি য়ুগ কয়া কবিনা, ফিলোসোফরনা তত্তনা থিরিবা মরী। ৱাংথোই ঙন্না মঙাল অমা ফংলে হায়নীংঙি। অদুদি তাইবঙপান অসিদি কনানা পুন্দুনা থল্লি। কবি নহা অসিগী মথঙগী ৱাহংনি। মদুদা থেংনৈ মহাক্লা লেঙদ্রবা মরী অমা। মদু করিসু ওইরমদ্রে নুংশিবনি। নুংশিববু মশক খঙলকই। মসিদি ইংরাজি কবি রোবার্ট ব্রীডজেসকী ৱাখলগা মান্নজৈ। মানসু হায়, "লব, ফ্রোম হুদ দ ৱর্ল্ড বিগন, নোএথ দ সিক্রেট ওফ দ সন"। হায়বদি নুংশিবদগী মালেম শেমখিবনি, নুংশিবদনা খঙগনি নুমিৎকী অরোনবা মশক, কনানা অসুক য়াম্বা থৱানমিচাকপু চাইথোক্লম্লিবা হায়বা পূম্বা। অমুকসু ইংরাজি অইবী ডি জি রোসেটিনা হায়, "নুংশিবদি স্বর্গ য়ৌবগী অরোইবা খোঙনেৎফমদুনি।" কয়াদা মান্নজখ্রবা ঐখোয়গী ৱাংথোইগা। মসিসু হায়রি, "নুংশিবা লৈরম্বগী/লৈরম্বনি ইমুং-মনুং, খুন্নাই, চৎনবী/... অদুনা তশেংনা/শেম্বনি তাইবঙপান নুংশিবনা/" (নুংশিবা, লাঃ ৪১) অৱাংবা ৱাখল্লোন্নি হায়নীংঙি।

অতোপ্পা ৱাংথোইগী মিৎয়েং অমনা মীওইপোক হায়বসি তেনখ্রবা মপোক্লি। মিৎকুপ খুদিং থৌশাদবা য়াদ্রবা খোঙচৎনি। লম্বৈল অসিদি মায়কৈ খঙদনা হুল্লক্লিবা তমথিরবা নোংলৈ নুংশিৎ থেংনগদৌরিবনি। লোয়ন-লোয়ননা পুন্সিগী নুমিৎসু মঙাল য়াওদ্রবা কোরৌগুম নোংচুপ চীংয়া মরুমদা লৈথরমগদৌরিবনি। অদুনা কবি নহা অসিনা মশাগী পুন্সিবু মালিকা লৈরাংগা চাংদম্নজৈ। মাদি পীকখ্রবা মালিকা লৈরাংনি। অদুবু আশাদি মোদোল্লৈমুক চাউনীংলুই হায়জৈ। কবি নীলকান্তসু হায়খি - 'পোক্লকপদি শজি মচানি। অদুবু ওইনিংলুই নোংশা হায়না শৈথাখি। মসিনা তাক্লি, পুন্সিগা আশাগা কৈদৌনুংদা মপা চানদে। পুন্সিনা কবিবু লক্লরকই, অমুক্লা কবিনা পুন্সিবু শাথীবা ফাগী অমা তৌশিল্লি। মখোয় অনী পূন্না নোকমিন্নৈ। ফজবা আইরনি অমনি ৱাংথোইগী।

ৱাংথোইগী ফজবা শৈরেং অমসু য়াওরি। 'লৈগী মনম' কৌবা। মসিদি অনৌবা মশকনি। ওন্থোক্লা ফজখ্রে। কবি নহা অসিনা পুন্সিবু গুহা মনুংদা লৈরিবা অমগুম য়েক্লি। থৱায়না পুন্সি লৈনম চুপচরি। থৱায়গা পুন্সিগা থাদোক্লবা য়াদবা মশক অমা উৎলি। অদুবু অরোইবদদি কবিনা হায়, "গুহাগী ঈশিংদি কংথরক্লি/গুহাগী মপান্না ৱাংখৎখ্রি/লৈগী লৈনমসু অসুম হেল্লক্লি/শোয়রোই/কনাগুম্বা অমনা হেকখিবা" কয়াদা চুম্না হায়খ্রবা। কনাগুম্বা অমা হায়রিবসিনি কবিনা থিজরিবা। মশক মমিং তোঙানবা য়াই। অদুবু পূম্নমকপু শেন্বীবা অমদি লৈফম থোকই হায়বা ৱাখল কবিদা ফাওরি। অদুনা ওইহল্লি মহাক আশা পুবা কবি অমা। মঙোন্দা তাইবঙপান অরেম্বা নত্তে, পুন্সি অরেম্বা নত্তে, চঙবা শিবা পংখৈ নত্তে। অদুনা কবি নহা অসিগী ইমাগী ৱাহন্থোক পাকথোক্লক্লি। অদুনা হায়, "মালেম লৈমা ইমাসে নুংশি থোইরবী/ঐগী ইমানি/ঐগীদি ইমানি" (ঐগী ইমাগী অনৌবা মিং, লাঃ ৪৬)

অতোপ্পা ৱাফম অমনা কবি নহা অসিগী নুপীগী মশক অমা তোপ্পা য়েকপা অসিনি। কবি পূম্নমক্লা নুপীগী ৱাহন্থোক কয়া পীনখ্রে। কনা অমনা নুপীবু লিক্লিগা, কনা অমনা নুপীবু ঈশিংগা প্রমান তৌনখ্রে। অদুবু ৱাংথোইগী মিৎয়েংদি তোঙাল্লি। নুপীবু লিক্লিগা ঈশিংগা ইচম চম্না হেক্তা প্রমান তৌদে। মাগী মিৎয়েং লুথরকই। নুপীবু ওন্থোক্লা ৱাংনা থাঙ্গৎলি। মাগী ৱাহৈদা, "নুপী! নঙদি থৌগলনবগী মশক্লি/ইকায় খুম্নবৈ লৈ পরেং হুকফম্নি/নুংশিবৈ হৌরকফমনি/ঈতিনফমসুনি/মঙাও থীবা তাইবঙগী দোরীনি নঙদি" (নুপী, লাঃ ২০) ৱাহন্থোক য়াম্না লৈবা শৈথানি।

য়ামখ্রে ৱাংথোইগী শৈরোল। অদুবু মপূংদা মহাক্তি মহৌশাবু ঈরাৎচবা, লৈশেম্লোন, মীশেমলোন মশাগী থাজবী লৈজবা কবি নহানি। মশাগী মশক অমা পুদুনা চৎচরিবা কবি নহানি। মাগী লাইরিক মমিংসু ওইরিবা 'মৈনা ৱায় তাংনা শম' হায়বা অশাংবা শৈরেং অসিনা মাগী থাজবী করিনো ফজনা উৎলি। মসিদি অশাংবা শৈরেং অমা ওন্থোক্লগা তোঙান্না লাইরিক অমা শেমগৎপসু য়ানি। অশাংবা শৈরেং ইবদসু পকচগদবা মচাক য়াওরি। লোয়না পাউদম্বদি য়াদ্রে। শিগদবা মপোক্লি, মদুসু কবি মশানা হায়জবা, "তুমিন্না শাৎলিবা ওই থংবা থবাক্তা ঐহাক্কী/লৈনম চেন্দবা লৈরাং অসি অঙাঙবা মচুগী/... মসিনা জগোয় শাবা লেপ্তুনা খুইজিল্লক্লবা/... মীৎকুপ্তুদা ঐগী মতম লোইরে খঙজৌ-ও!" (ঐনা শিগদবা মতম, লাঃ ১) অদুবু চঙশিনগদবা লমদি য়াম্না ৱাৎলি। থোঙলোন মাপল লানগদবা থোঙজিন্দা লেপ্পদা ঙায়রি। ৱাংথোই লেপকনু। চঙশিল্লু। লোয়ননা নশাগী মশকসি মাঙহনগনু। মথংগী শৈরেং ঙাইরি।❍

---

# লৈবাকলৈ

## চানবী হৈখাম

**নোংবু** তাবু তারবদি ঈচাও থোক্ত্রিমখৈ হাংগনি খঙদবা, নুংশাবু শারগনা লৈক্রক চৎপমখৈ শাবা ইরমদমসিগী ঈশিং নুংশিৎসিদা, কুমগী নোংদি লাকপদা ঙাইরি ঈশিং ঈচাওনা হাল্লি, লম্বী থোং, ঈথৈ লৌখোংসু টেবলদা শেমখিবা চীংয়াদা লৈবা ঐখোয় ফাওবনা ঈশিংনা খ্বাং য়ৌরবসিনদি ইম্ফাল সহরদদি নুংঙাইরমগনি। নোংমা নীনি নোং লেপ্তুনা চুরম্বদগী নুংশা শাদোরকপসিদি হিংগদৌবোই নীংইদা হায়দুনা মচিন্দা মুরুম মুরুম শোন্দুনা য়েনখা লুখা শিৎ শেংলি। মাঙ্গোলগী মচি অমদা ফক মচা অমা থারগা লাইরিক ঔরাইরিবা ইচে লৈবাকলৈগী মচানুপানা মমাগী খোঞ্জেল তাবদা হায়রকই,
- ইমা, স্কুলগী ওজানা হোম ৱর্ক পীরকই, উমং-ৱামং কোকথোকপনা ঐখোয় মীওইবদা পীরিবা অমাংবা খরদং ইরকউ হায়।
- ইচে লৈবাকলৈ মচানা হংলিবা ৱাহংগী পাউখুম পীদ্রিঙৈদা মচা নুপানা মখা তারকই।
- ইমা ঐনা ইরিবসি চুম্বরা য়েংউ, ঐ পারক্কে।
- ইচে লৈবাকলৈ য়ূমগী থবক ইনখাং লোইশিন লোইশিন্না মচানা ইরিবা, পারিবদু তারম্মী।

উমং-ৱামং হায়বসি মহৌশা লাইরেম্বী ইমাগী খুদোলনি। উমং-ৱামং কোকথোকপা হায়বসিনা মহৌশা লাইরেম্বী ইমাবু মরু কোকপগুম্বনি। ইমাবু মরু কোকথোকপদগী মহৌশাগী খলদা অকায়বা কয়া লাকপদগী মমল য়াম্লবা শা-উচেক ইরমদমসিদগী মুৎখিবা য়ানা লৈরে।

ইচে লৈবাকলৈ মচানা ইরিবা পারিবদু তারগা মশা মতোমতা নোকনিংবা ফাওরকই।

চুম্মী, উমং-ৱামং কয়া মরম চাদনা কোকথোকপদগী মমল য়াম্লবা শা-উচেক ইরমদমসিদগী মাঙখিবদা নত্তনা কয়া অমা নোংমা নোংমগী মাঙথরক্লি। ইচে লৈবাকলৈ মচা নুপানা ইরিবদু অচুম্বা ওইরগসু চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়বগী পাউখুম পীবা ঙম্লমদে। খঙজিন্নদনা তাশিন্নদনা মাগী তৌফম থোকপা থবকশিংদু লোইশিন্নবা হোৎনরম্মী।

ইচে লৈবাকলৈ মচানুপাগী ৱাহংগী পাউখুম পীরুবা তারবদি য়ূমগী থবক ইনখাং অমত্তা তৌবা নংলোইদৌরিবনি। চক্রি কনবা মচানুপানি। মানা নীংখিবা অপাম্বা থবক্তু থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রিফাও চাগনি থক্কনি খঙদবা মচানি।

মচাগী মওং মতৌদুনা ইচে লৈবাকলৈ ৱা মখা তারকই, ইমা খূৎশি মোৎলে, হোরেন ঙাইহাক লৈরগা ওইনা য়েংগে ইচাদি মরম মোকপনি। লাইরিকতু পূক্নিং চঙনা পাউ হায়রম্লগা মথৌরোমদা মায় ওনশিল্লম্মী।

ইচে লৈবাকলৈ ইম্ফাল সহর ময়োন্দগীনি। ইচে লৈবাকলৈখোয়গী অহল লমনশিংদু ধর্ম্ম, জাৎ-বিজাৎ, লায়র-ইনাকখুনবা য়াম্না খাইবা ইমুংনি। খুঙ্গংদা য়ূম পাল্লি হায়দুনা মমা মপা, মবুং মৌপ্বা কনা অমত্তনা হন্না য়েংবদি লাইরদনা কুম অমগী নিঙোল চাক্কৌবা ইচে লৈবাকলৈগীদি য়ূম হেক পানবদগী শরুক য়ারকখিদ্রবনি।

ইচে লৈবাকলৈ মশক মতৌ ফজৈ, ঈং তপ্পী, ক্লাস টেন থাবগা ইঙাও ঙাওনা কান্তগী পুন্সিগী খোঙলোই ওইনা লাকখিবনি।

মীওইবগী পুন্সি খোঙচৎ অঙকপনি। কনা অমত্তনা হায়বা ঙমদে। হৌখিবা পুন্সিদা নুংঙাই য়াইফনা হৌরক্লবসু তুংগী পুন্সিদি মীৎলু পিরাং কংদনা লোইখিবসু য়াওদবা নত্তে। মমা মপা, মবুং মৌপ্বা ওইবশিংনা মচে মচলশিংবু মীরাইবিরবদা করম্বা মনেম মকুশিংনা মমৌবু লুনা চান্না তৌবীগদৌরিবনো? মবুং মৌপ্বাশিং য়ূম্নমাক শাগৈ ওনখ্রবী মচল-মচেশিংবু লমলানখ্রবীনি খনবীদবা মতমদা মনেম মকু ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা লুনা চান্না তৌবী। অদুগা অমরোমদনা য়ূম্নাক শাগৈ তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা ইমুং অমগী মৌদসু খূৎকী খূৎশাশিং শাংবা চাওবা মান্নদবগুম্না মনেম ওইবীশিংনা মমৌশিংদা খেনবা মীৎয়েং থম্মী।

তোলোপ চারবা, অউনপোৎ য়াম্না পুরকপী, ইনাক কৈরাক খুনবী, মবুং মৌপ্বা খূৎলিংনা লৈবা ইমুংগী নিঙোল ওইরবদি মনেম মকু ওইবশিংনা কিনা চৎপা হায়বসি য়াওদবা নত্তে।

অদুবু ইচে লৈবাকলৈদি ইনাক কৈরাক খুল্লবসু মবুং মৌপ্বা খূৎলিংলবসু লৱাই, ইম্ফালনা পূম্নমক লমলানবী ওইহনখ্রে। ইচে লৈবাকলৈনা য়ূমদুদা মৌ ওইনা লাকপা কুইদ্রিঙৈদদি ইচে লৈবাকলৈবু মনেম মকুনা লুনা চান্না তৌবীরম্মী। ইমুংদুদা মৌ অনী শুরকপদগীদি ইচে লৈবাকলৈখোয়গী ইমুংদু ঈশিংগা থাউগা তিন্নবা য়াদ্রবগুম্না লৌশিং হেনবা তান্নবদগী ঙাঙবা শকপা হৈবনা ইমুংদুগী লিরৈ ওইরম্মী। ইচে লৈবাকলৈখোয়গী মকুবোকতু দিপার্টমেন্ট অমগী দিপুটি দিরেক্টরনি। থবক অচৌবা অমা তৌরবসু মচাশিং অমত্তা শেন্নমদে। মতমগী খোঙচৎকী মতুং ইন্না ইচে লৈবাকলৈগী মকুবোক থবক্তগী পোথারবা মতুংদগী অয়ূক্কী নুমিদাংগী য়ুদা লাইচুবা মী অমা ওইরকখি। মশুশিংদা ফাওবা মীচং মীখাই নাইদুনা মীচা ইচা হায়দুনা খেনবা থল্লকখি। ইচে লৈবাকলৈগী মপুরোইবা কান্তা মপুক মপাও ফৈ। লৌ-শীং খরা উরগা লৈজবনি। ইমুং মনুং শেল থুম মীহৌনরকপদগী ইচে লৈবাকলৈগী মপুরোইবা কান্তবু লৈকায়গী খুনগী য়েক্লবনি হায়দুনা অঙম্বশিংগী মখূৎতা পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তালহনখি। ইচে লৈবাকলৈবুনা অঙৌবা ফিদা শংনিংবা মচুনা শংবা য়াবগুম ওক্তবীনি, লমচৎ নাইদবীনি হায়দুনা পুন্সি চুপ্পা কোকপা ঙম্লরোইদ্রবা দাগফম অমা তাহনবীখি। ঙসিদি ইচে লৈবাকলৈ শম্বল য়াওদ্রবা ইঙ্খোল ওইখিবনা খোঙথাং খুদিং য়েক্লবগী য়েক্লবা ঙাক্তা ওইরকখি। ইচে লৈবাকলৈগী তুংগী আশা হায়ববু পীক্লিবা জ্ঞান মপুং ফাদ্রিবা মচা অনীনা চাউবা ঙাইনা ঙাইনা ঙসিগী মীনোক চাউরবা খুন্নাইসিদা মীৎলু পিরাং কংদনা হিংবা তাখি। হৌখিবা পুন্সিদদি ইচে লৈবাকলৈগী মপুরোইবা কান্তনা মচাশিংবু কুপ্না শেন্নরক্কনি, ইচে লৈবাকলৈ ঙাইহাক মচাগী ৱাহংদুদা ৱাখল লমফৈ চৎলুরমাল্লে ইচে লৈবাকলৈগী মচানুপানা কৌরকপদা জ্ঞান খংতা তারকপদদি নুমীৎনা আ য়ৌরল্লে।❍

---

## খোরিরোলগী থৌরম— করি নুমিৎতা, কদায়দা পুং কয়াদা

### *অহিংবা ফাগী* অমসুং *মঙলাক্লখ্রবা থৱায়* ফোঙগদৌরি

ফেব্রুৱারী ২৮, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ইরাবট ভাবন, রূপমহল টেঙ্কতা প্রোগেসিব রাইটর্স ফোরম, মণিপুর চেপ্টর, ইম্ফালনা শীন্দুনা লাইরিক অনী ফোঙগদৌরি। ফোঙগদৌরিবা লাইরিকশিং অদুদি দি দি নিংথৌজাগী ৱারীমচাগী লাইরিক *অহিংবা ফাগী* অমসুং ইবোম্না খুমনগী শৈরেংগী লাইরিক *মঙলাক্লখ্রবা থৱায়* নি।

লাইরিক অনী অসি ফোঙবগী থৌরমদা য়ূমলেম্বম ইবোমচা, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দিনা চীফ গেষ্ট অমসুং লাঙ্গোল ইবোয়াইবমানা থৌরম মপু ওইগনি। ফোঙগদৌরিবা লাইরিক অনী অসিগী মতাংদনা সলাম তোম্বা অমসুং ডোক্টর কোইজম শান্তিবালা দেবীনা মথংশিৎপা ৱা ঙাঙগনি।

— — — — —

### *ৱলী নুপী তরুক* অমসুং *জামিউল ফৱাইদ* ফোঙগদৌরি

ফেব্রুৱারী ২৮, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা খেরগাও অৱাং সাবল লৈকায়দা লৈবা এম দি অব্দুল ক্বাৱীগী শঙলেন্দা সিরাজ অহমদ মুফতি দারুল উলুম (মর্কস)না ইবা *ৱলী নুপী তরুক* অমসুং মৌলানা খৈরুদ্দিন সদরে মুদরীস জামিঅতুৎ তারিহাৎনা ইবা *জামিউল ফৱাইদ* হায়না মিংথোনবা লাইরিক অনী অসিগী মীতৈ ময়েক্কী এদিসন ফোঙদোক্কদৌরি।

***(কলম অসিদা হাপ্পনবগীদমক খোরিরোলগা মরী লৈনবা ঈ-পাউশিং পাউচে অসিদা য়ৌহনবীরকউ হায়না খোরিরোলগী লূপশিং অমদি থৌরম শীনবিশিংগী মফমদা হায়জরি।)***